ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯰꯲, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯸꯹ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, ওক্টোবর ০২, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ১৮৯শুবা মশীং

# দেট রেপ দ্রগ- কেটামিন

## *খূদোংথীবা মায়োক্নদনবা নুপীশিংনা চেকশিনবা তঙাইফদে*

**মশা-মশা** য়ানরিঙৈদদি কমদৌনা য়ূম্বান লন্বীদা খোঙদাবীরকখিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রবসু য়ানরক্ত্রবা মতম অমদি মশানা য়াদনা নম্ফু-হাফুদা মৌগী শীংদা চলহল্লবী নিংঙোল কয়ানা মখোয়দা থোকখিবা পূন্সিগী ৱারীশিং নুপী ওইবীশিংনা তাবগী তঙাইফদবা লৈ। মৈ মন্থা রেষ্টুরেন্টতা কোফী অমত্তং থকমিন্নসি হায়দুনা কৌশিল্লগা কোফী অদু হেক থক্লুবা মতুং মিনিট খরগী তুংদা ৱাখল তারকখিদে। মহাক্না ৱাখল তারকপদা নমদুনা ফল্লানখিবগী খূদম কয়ামরুম ফংবা ঙন্মী হায়বসি নুপী কয়াগী ৱাকৎনি। ৱাকৎশিং অসি কদায় ফাওবা চুম্মী নৎত্রগা লাল্লি হায়বদুদি হৌজিকমক্কী ওইনা খূদম চাংদম পীদুনা থোকখিবা থৌদোকশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা অচুম্বা থৌদোক্কি হায়বদি থোইনা থেংনদে। অদুমকপু ময়াই কাবা মখল কয়াগী চীঞ্জাক থোরকপা মরম্না অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি থোকহনবদা অরুবা নত্তে হায়বসি মীয়াম পূন্না খঙমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। শম্না হায়রবদা কেটামিন হায়না খঙনবা দ্রগ মখল অসি মহী ওইনা, পাউদর ওইনা নৎত্রগা টেব্লেট ওইনা ফংবা শাথীরবা হীদাক মখল অমনি। তশেংনমক্কীদি হীদাক মখল অসি মীওইবা অমসুং শাশিংদা পূক্লিং-ৱাখল পোথাহন্নবা অমসুং চৈনাখোল কোকহন্ননবা হোস্পিটালদা অনা-লায়েংগী লম্দা শীজিন্নবনি। অনা-লায়েংগী লম্দা অখঙ-অহৈশিংনা অকক্নুবা চাংদা শীজিন্নবদা থোইনা অকায়বা লৈতবা হীদাক অসি অরানবা মওংদা শীজিন্নরবদি কা হেন্না খূদোংথীনিংঙাই ওই অমসুং তোয়না শীজিন্নরক্লগদি লায়চুখিদুনা থাদোকপা ঙমদবা হীদাক মখল অমনি। ওপরেসন মচা-মশু তৌবদা শীজিন্নবা হীদাক অসিনা কনাগুম্বা মীওই অমবু অকোয়বগী ফীভমগা শম্নহন্দনা তোখায়বা তাইবং অমদা লৈহনবা ঙন্মী। *এক্সটেসি*গা মান্নবা মওংদা *ক্লব দ্রগ* ওইনা শীজিন্নবা ময়াই কাবা পোৎলম অসি দেট রেপ দ্রগ হায়রগসু খঙনৈ। কনাগুম্বনা হীদাক অসি নুংশিনবী নৎত্রগা খঙন-চানবী নুপীদা থক্নবা মহী অমদা য়ানশিল্লগা পীথকপদা নুপী অদু ৱান্থবা নৎত্রগা ৱাখল মাঙবদি তৌদনা অতোপ্পা তাইবং অমদা লৈবগুম অকোয়বদা থোক্লিবা থৌদোকশিং খঙবা ঙমদে। মতম অদুদা নুপী ওইবীগী ইকায় খুম্নবা মাঙহনবদা মখল অমত্তগী অয়েৎপা, অথিংবা পীরুবা ঙমদে। মদুনা মরম ওইরগা নুপী ওইবীশিংগী ইকায় খুম্নবা মাঙহনগে হায়না থৌরাংবা কাঙবু অমনা অসিগুম্বা মখলগী দ্রগ অসি খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরকপা য়াবনা নুপী ওইবীশিংনা অসিগুম্বা মখলগী দ্রগশিং অসিদগী মশা ঙাকথোকচনবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈদি নুপা নহাশিংনা মতম অমদা হেক্তা খূদোংচাবা লৌখিবা য়াবা মফমদা চামিন-থকমিন্নবা তোক্কদবনি। চেকশিনহৌদবা মীৎকুপ্তা লৈশা-লৈশানা মৌগী শীংদা চনবগী চৈথেং অদুদগী ঙাকথোকচগে হায়বা তারগদি নুপানা পুশিনবা মফম মরাং খঙদবা রেষ্টুরেন্টতা চঙলোইদবনি।

হন্দক্তা নার্কোটিক্স এফেয়র্স ওফ বোর্দর (এন এ বি) পুলিসনা মণিপুরগী মফম অমদগী কেটামিন হায়না খঙনবা দ্রগ মখল অমা ফারে হায়না পাউচেশিংদা ফোঙদোরকপা লৈখি। পুলিসনা ফাই হায়রিবা ময়াই কাবা হীদাক মখল অসি মহী ওইনা ফংখিবনি। মপানগী মেগাজিন অমদি অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না কেটামিন হায়রিবা দ্রগ অসি টেব্লেট ওইনসু ফংই, পাউদর ওইনসু ফংই। মহী ওইনবু ফংলগসু, পাউদর নৎত্রগা টেব্লেট ওইনবু ফংলগসু মতিক-ময়াইদি চপ চানা লৈ। গুলি ওইনা য়োৎশিনবা, মকুপ তানা তকখায়রগা নাতোনদা চিংশিনবা, চুরুট নৎত্রগা গঞ্জাদা য়াল্লগা মৈখূ ওইনা চিংশিনবা, য়ু নৎত্রগা মহী অমদা থিৎলগা থকচিনবা হায়বসি কেটামিন শীজিন্নরিবশিংনা চত্থরিবা থৌওংনি। য়োৎশিনখিববু ওইরবসু, মকুপ ওইনা নৎত্রগা মৈখূ ওইনা চিংশিনখিববু ওইরবসু মথৌ তৌরকপদদি মওং চপ মান্নে। মীৎকুপ খরগী মনুংদা হকচাং লেংবা ঙমদে। হকচাংনা মফম অমদা লৈহৌরগা ৱাখলনা অতোপ্পা মফম অমদা চৎখিবগুম ফাওহল্লি। থৌওং অসিবু *কে-হোল*দা লৈবা হায়রগসু খঙনৈ। খম থেংনা খূদোংথীনিংঙাই ওইবা ফীভম অমা লাক্লিবা অসিদি কনাগুম্বনা কেটামিনবু দেট রেপ দ্রগ ওইনা নুপী ফল্লানবদা খূৎলায় অমগুম্না শীজিন্নরকপগী মতাং অসিনি। মহী ওইনা মণিপুরদা দ্রগ লল্লোনবশিংদগী ফাগৎপা লৈখ্রবনিনা পুলিসনা ফাগৎপা ঙমদবা অসিগুম্বা মখলগী দ্রগ অসি লল্লোনবশিংগী মখূৎতা মরাং কায়না লৈরমগনি হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক্না খঙমিন্নবা মতম য়ৌরে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি, ময়াই কাবা দ্রগ লল্লোনবশিংনা শেল খক্তমক খল্লি। মখোয়না মীওইবগী পূন্সিদা থোক্লবা য়াবা খূদোংথীবশিং অদু খনেদ। শেল ফংগনি হায়রবদি মী হাৎলু হায়রবসু ঙমগদবা পূকচেল চেনবা কাঙবুনি হায়বসু য়াই। মখোয়দা মরাল লংশিনবা নৎত্রগা লংশিন্ননবা হোৎনরে হায়বগী অকিবা অমত্তা লৈতে। মখোয়না মরম ওইরগা চমজরবা নুপী কয়ামরুমগী ইকায় খুম্নবা মাঙবা য়াবগী ফীভম লৈরকই। মশা লেং-খোৎপা ঙমদ্রবনিনা নমদুনা ফল্লানবশিং অদুগী মখূৎতগী মশা কঞ্জনবা করিগুম্বা মখলগী থবক অমফাওবা লৌখৎপা ঙল্লোই। ফল্লানবগী থৌদোক অদুসু মখোয়না ভিদিও ফূটেজ লৌদুনা হিংনা-হিংনা শিরবা মীওই ওইহনবা ঙমগনি। মরম অদুনা অসিগুম্বা মখলগী দ্রগশিং অসিনা ওইহল্লক্কদবা খূদোংথীবশিংদগী ঙাকথোকচনবা নুপী ওইবীশিংনা য়ারিবমখৈ মৈ মমহনবা রেষ্টুরেন্টতা চঙলোইদবনি। মশানা শাফৈ হায়না খঞ্জবা মফম খক্তদা বোইফ্রেন্দ উনগদবনি হায়বসি কাউরোইদবনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮১

১। মণিপুরগী পুৱারীদা সেপ্টেম্বর ৩০ অসিদি সনাগী ময়েক্না ইদুনা লৈহৌরগনি, মণিপুর মতম ঈশৈ নুমিৎ হায়না। মসি ইহান হান্না শান্নখিবা মণিপুরী দ্রামা অমদা ইহান হান্না মৈতৈলোনগী ঈশৈ শকখিবা নুমিৎ অদুদগী পারকপনি।
(ক) ইহান হান্না শান্নখিবা মণিপুরী দ্রামা অদুগী মমিং হায়য়ু।
(খ) ইহান হান্না শান্নখিবা অদু কুমজা কয়াদনো?

২। "চৎলু অতোন : ফৌরুংবা কাদুনা কাকয়েল মীঙম্বগী মরূম লোক্লুচো, ইচীল ইনাও চাসি।" ৱাফম অসি অইবা অশাংবম মীনকেতনগী ৱারেং অমদগী লৌথোকপনি। ৱারেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "ৱানথখরে হৌজিক্তি পৃথিবী/চৈনাখোল খাঙবা ঙমদ্রদুনা।" পরেংশিং অসিনা 'অশিবা অহিং' কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। লানলুম্বা কবি হায়নসু খঙনবা শৈরেংসিগী অইবদু কনানো?

৪। "করিগীদমক য়ূম হোংগদৌরিবনো? ... ঐহাক মীনি, নুপীনি, অদুগা মপূনি।" ৱাফম অসিনা লৈমহন কৌবী অমনা মাগী নুপাদা হায়রিবনি। 'ৱাকৎ' কৌবা ৱারীমচা অদুদা। অইবীদু কনানো?

৫। গোপীনাথ মোহন্তিগী ওরিয়া উপন্যাস, 'দাদীবুধা' হায়বদু মণিপুরীদা হন্দোকখ্রে। হন্দোকলোয় অদুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮০গী পাউখুম ৫ চুম্না থাবীরকখিবশিংদি**

| | | |
|---|---|---|
| ১) | হিদংময়ূম ব্রজমনি শর্ম্মা, উরিপোক অহন্থেম লৈকায় | (৫) |
| ২) | কে মেমী, ময়াং ইম্ফাল বজার | (৫) |
| ৩) | সী ঐচ সুরজিৎ, ময়াং ইম্ফাল বজার | (৫) |
| ৪) | বিদ্যাপতি নিংথৌজম, সত্রাম ময়ায় লৈকায় | (৫) |
| ৫) | সনসম লক্ষমি চনু, হিয়াংথাং ময়ায় লৈকায় | (৫) |
| ৬) | হৈস্নাম রুপো, ময়াং ইম্ফাল থানা ৱাংখৈ লৈকায় | (৫) |
| ৭) | পুখ্রিহোংবম সেলৈমা চনু, য়াইরিপোক | (৫) |
| ৮) | থিয়াম নন্দ, পাৎশোই পার্ট থ্রি | (৫) |
| ৯) | নিংথৌজম সঞ্জিৎকুমার, চান্দপুর মনীং লৈকায় | (৫) |
| ১০) | থোকচোম প্রেমকুমার খাঙবোক খুনৌ লৈকায়, পার্ট থ্রি | (৫) |
| ১১) | সনসম য়াইফবী চনু, নোংমৈবুং চকপ্রম লৈরক | (৫) |
| *১২)* | *সঙ্গিতা ঙাসেপম, য়ুরেম্বম অৱাং লৈকায়* | *(৫)* |
| ১৩) | থোকচোম প্রিয়া, খাঙবোক খুনৌ লৈকায়, পার্ট থ্রি | (৫) |
| ১৪) | নামৈরাকপম নন্দিনি চনু, চীংঙামখা লিৱা মাইবম লৈকায় | (৫) |
| ১৫) | আনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, নোংমৈবুং সেরাম লৈরক | (৫) |

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৮০গী ৱিন্নর**

***সঙ্গিতা ঙাসেপম, য়ুরেম্বম অৱাং লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবী)***

লিটরেরি ক্যুইজ ৮০গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম ওক্টোবর ৭, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮০গী পাউখুম

১। ১৮৯১দা ফাঁসি তৌখ্রবা ঐখোয়গী অথৌবা অনী, চিরাই নাগা অমদি পুখ্রম্বা ফিঙাং (কাজাউ) অনীগী মিংদা হৌজিক লন্বী অনীগী মমিং থোল্লনি হায়রি।
(ক) চিরাই নাগানা হাৎখিবা সাহেব অদুগী মমিং হায়য়ু। :- **মেলভিন**
(খ) কাজাউনা হাৎখিবা মিষ্টর গ্রীমউদকী নুপীদুগী মমিং হায়য়ু।:- **ঈথেল সেন্ট ক্লেয়র গ্রীমউদ**

২। "চীন্নাইদবী মরুপ-ও/ঙাইহাক্তসু ঙাইখো-ও/লমনাইদবা মালংনি।" পরেং অহুম অসি কবি চাউবগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।:-**লমগী চেক্লা অমদা**

৩। "শান্নরি পোকপদা ঙায়রিবা নুমিৎনা/তঙাংলবা মখোঙ-মখূৎ কাওরদুনা/লোংখ্রাক লোংনা মফি থোংদনা।" পরেং অহুম অসিনা 'য়েংলু য়েংলুবদা' হায়বা শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোকপনি। কবিদুগী মমিং হায়য়ু। :- **লনচেনবা মীতৈ**

৪। ১৯৬৭তা ফোঙবা শৈরেং লাইরিক অমনা অইবীশিংগী ইহান হানবা শৈরেং লাইরিকনি হায়না পানরি। লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু। :- **শজিবু লৈরাং**

৫। কালকূটকী বাংলা উপন্যাস 'শাম্ব' হায়বদু মণিপুরীদা হন্দোকখ্রে। হন্দোকপদুগী মমিং হায়য়ু। :- **টি থোইবী দেবী**

# বন্দনা অসুম অসুম ফাগী তারকপা

হেক্তা হায়নীংলকই - ৫১৭

**জিতেন নামৈরাকপম**



**অয়ূক** পুং ৭কী মতুং ৭.৩০গী মণিপুরীগী রেদিওগী পাউ মরক্তা পাউচেগী হেদ লাইন নৈনবগী পাউদু ফনা নুংঙাইবনি। অদুবু হৌজিক্তি তাবা ফংখিদ্রে। পাউচেগী এদিটরশিং, একাদেমিসিয়ন, শক্ল াইরবশিংগী মরক্তগী খনগৎলগা পাউচেগী মরুওইবা টোপিকশিংদা খন্ন-নৈনহনবা অদু নুংঙাইবনি। ফ্রীদম ওফ স্পিচকী খুদোংচাবা লৌরগা হায়নীং-হায়নীংবা, ঙাঙনীং-ঙাঙনীংবা ঙাঙবগী ফত্তবসু লৈতবা নত্তে। ঙাঙবা য়ারে হায়দুনসু মীওইবগী সেন্টিমেন্ট শোকপা, বিয়োন্দ-দি-লিমিটেশন হায়গদ্রা পনখৈগী ৱাংমা লান্না, মীয়াম্না ইকায়খুম্নরিবা ভি আই পিশিংবু চৈনীং-চৈনীংবা মওংদা থীনা ঙাঙলক-চৈরকপদগী রেদিওদা ঈ-পাউ নৈনবগী থৌরমসি থিংজিনখিবনি হায়না লৌজৈ। হৌজিক্তি নুংতিগী ফোঙলিবা পাউচেগী মকোকখক্তমক পারগা লোইশিনখ্রে। মনুং হুৎকী পাউদি পাদনা, নৈনদনা লোইশিনখ্রে। মদুদা কনাগুম্বা খরনা ৱাকৎপসু লৈখি 'পাউচে লৌদবা য়ূম অতাঙবনি, মকোক পারগা তোক্কদবা ওইরগদি তোকপীরো, মতম পাম্মুই, য়ূমদা পাউচে ৪/৫গী মথক্তা লৌজরি, য়ূমদা পাজরি, নৈনবদুখক তাজনীংবগী ৱানি।"

ৱাহৈ খরসি চুম্বা মাল্লগসু কদাইদনো লানবা অমদি য়াওরি। মরমদি রেদিওনা, টেলিভিজন্না খ্বাইদগী য়াঙবা স্পিদ য়াম্না থুনা পাউজেল পীবা ঙম্বা ওদিও অমদি ভিজুএল পূল্লবা ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়ানি। খবর-খবর হৌজিক্লা ঐখোয়গী লোন্দা পাউচে হায়নরিবসিনি প্রিন্ট মিদিয়া, অপাকপা চেদা নম্লগা মীয়ামদা য়েন্থোক্কদৌরিবনি। পাউচে য়ূমথোং খুদিংদা য়েনবীরিবা হোকরদুনা মশা ঙল্লক্তবা নারকপা নুমিৎতুমদি মীঙোন্দগী ৱায়রগা পাবা তাবনি। অদুগীসু মথক্তা পিক্লবা ষ্টেট অমনি হায়জরগসু মণিপুরগী লৈরক খুল্লক, দিষ্ট্রিক্ট লান্দুনা চৎপদা পুং ৮, অয়ক্কীনিকো হায়জরিবসি মদু ফাওবদা পাউচে য়েন্থোকপা ঙমদবা মফম য়াম্না লৈরি। লাপ্তু লাপথোকখ্রগনা জিরিবামদগী হোরেল নুমিদাংৱাইরম ৱিঙ্গর, টাটা সুমোনা থুংলবদা পাউচে থুংগদৌরিবনি। শিলোং, গুৱাহাটিদনা নীনি চঙবা, চীংনুং হুত্তনা ইনক নক্লা নুমিৎ ৪/৫ নি চঙবা মফম লৈরি। অদুনদি অয়ূক্কী পুং ৭.৩০গী মণিপুরী পাউদা পাউচেগী হেদ লাইন পাথোকপা তঙাইফদবনি খঞ্জে।

ইম্ফালগী জিরো মাইলদা লৈরুবনা হায়গদ্রা অয়ূক্কী ফোং-ফোং শাবা টাজা খবরসিদি ঙন্তা পুং ৪.৩০ তাদ্রিঙৈদা লোইজরে। পাউচে অহুমগী হেদ লাইনশিংনি হায়জরিবসি। মনুং হুৎনা থিৎনা পারুবদি নত্তে। ঐখোয়গী হোকর অদু য়াহৌ ওন্থোক্লা ঙনখ্রে, নিংঙোম্বদগীনি। মানা সাইকল তোংদুনা লাক্লগা ইমুং অহুমগী পাউচে থোঙ্গালদা থেৎলম্বগী মখোল তাদুনা অয়ূক্কী পাউচেতনি ঙন্না তরাম্না ওক্লিবসি। নহানদু মিনট ১০/২০ চাউয়েং য়েংলবা মতুংদা ইমুংদা চঙলকপদা ক্লাস আইট তন্লিবা ইচানুপী হৌদোকই। ঙন্তা হৌগৎনবা, চিন-য়া শেংনবা, হকচাং শেংদোক্লবা, লাইরিক পানবা মীকপ থোকহল্লি। ঐগী শাহুমদা মীকপ থোক্লদুনা নুংতিগী পাউচে ঙন্না পায় খঙলবা ঐঙোন্দা তিংলি-য়াংলিরগা হংলকই - বাবা, ঙসি পাউচে পারব্রা, বন্দ-নুং, জেনরেল-ষ্ট্রাইক্কা অমত্তা লৈতব্রা? খুম্লুই - 'লৈরে ইচাথোইবী অকনবা বন্দ, স্কুল ভেনগা অমত্তা লাক্লরোই ঙসিদি'। বন্দ লৈরে তাবদগী মানা হরাউরগা চোঙখৎলগা লাউরকই - য়া...হু...চাহে মুজে জঙ্গলি কহে...য়া...হু। নুংঙাইরে ছুটি থারে। শম্মী কাপুরগী ঈশৈ, মদুসু মোহম্মদ রাফিনা শকখিবা চহী ৫০ শুরক্লবা হিন্দি ফিল্মগী ঈশৈ শক্লকপদা ঐদি খংপ্রেক খংনবু ঙকখি। তৌবতবু হৌজিক্কী অঙাংশিংসি সেরিএল, কার্টুন পিকচর ময়াম অমা টি ভিদা য়েংবদগী চাক চাবা ফাওবা হিন্দিদা ৱারী শানবা য়াওরে। লোন হৈজিনবদা ঐখোয়দা মাঙজবা করিসু লৈতে, তোংজবমক্তনি। অসুম্না খঞ্জে।

অমুকসু খঞ্জিল্লুই। হৌজিক্কী অঙাংশিংসিবু লাইরিক তম্বদা থৱায় য়াওরিব্রা, য়াওদ্রব্রা? মণিপুরগী মীয়াম্না পেন্দবদগী বন্দ, ব্লোকেদ ময়াম লাকপদা শোমদা অঙাংশিং লাইরিক তম্বা ফংদ্রে। ঙসি ওক্টোবর ২নি। মহাত্ম গান্ধীগা, লাল বহাদুর শাস্ত্রিগগী মপোক তারিখ নুমিৎনি। চহী খেন্নজবখক্তনি। কুইররোই কুমজা ২০১৯ ইজ নোক্কিং এট দি দোর। কুমজা ২০১৯দি চঙলক্কদবগী ঙাইদুনা লৈরে। অদুবু ঐখোয়গী অঙাংশিং লাইরিক কয়া য়াম্না তমহৌরবগে? বন্দ, জেনরেল ষ্ট্রাইক ছুটি পরেং মরকসিদা নোংমাইজিং, সেকেন্দ সেটরদে, কুম্মৈগী ছুটি পরেংশিংনা অঙাংশিংগী নম্বোদা নল্লগা চৎখ্রে। ওজাশিংসু ফনবু নুংঙাইরি। সেলেবস কভর তৌনবা হোৎনবদা চাউকান-চাউকান কাল্লগা নম্ফুদা হোর্ম টাস্ক পীশিল্লকপা, প্রোজেক্ট ৱর্ক কায়দনা নংহৌনবা পিকখ্রবা অঙাংগী কোক্তা পু-থাংবা ঙমদবা পোৎলুম পুহল্লকপা, হায়রুদ্রবসু খঙনরবা মক্তনি। ঙসাই ইচানুপীনা বন্দগী য়া...হু...নুংঙাইরে লাউরুরিবদু পুঙম থাংঙমদ্রবা ওজাগী হোম ৱর্ককী, পাড়া ফাদবগী, চৈ চাদনবা ওইরম্মী। মসিগী মরালসিবু কনাদা শিগদবনো হায়ফম খঙদবা মতাংসু লাকই।

মণিপুরদা মীয়াম্না খঙনরবা ব্লোকেদ, বন্দ, টোটেল শটসাউন, ব্লেক দে তোঙান তোঙানবা মীংথোল পীনরগসু ঐখোয়গী থাপালোন কেলেন্দর হায়গদ্রা মদুদা হায়দ্রগসু খঙনরিবসি জন্যুৱারী ২৬, ওগষ্ট ১৫, ইন্দিপেন্দেন্স দে ওফ ইন্দিয়া অমদি ওক্টোবর ১৪ মর্জর এগ্রিমেন্টসিদি মীয়াম মপান থোকপা তন্নবা মখলগী প্রোটেষ্টশিংনি। নহানসু, হয়েংসু, মমাঙদসু, মতুংদসু বন্দগী বন্দ ঙাক্তা মীয়াম পূন্নমক খিনরবনি। বন্দ তৌগনি, লৈত-লায়রশিং অৱাবা তাগনি। নোংমগী পুকচাক তাঞ্জরিবশিংদা অৱাবা পীগনি। গাড়ী থুগাইগনি, মৈ থাগনি। অঙাওবগী লৈবাক্লা মান্নরক্লবা মণিপুরনি।

অদুবু হন্দক্তি বন্দগী অনৌবা শক্লোন অমখক উবা ফংলকখি। মীওইশিং অসি ৱাখল তাবগী লন্বীরোমদা চঙশিল্লকপ্রা খঞ্জে। বন্দ মনুংদা মীঙোন্দা অকায়বা পীখিদে। উ-ৱা ফৈজিন্দুনা লন্বী থিংবা, লিক্লী থুগায়বা, টয়ার মৈ থাবা, য়োৎপী চায়থোক্তুনা থম্বা, নাকন্দা হৌবা উ-ৱা য়ান্থৎপা, অথু-অকায়গী লাকচবশিংদা লিচৈ পায়রগা লৈরম্বশিংনা ফু-চৈগে তৌবা, গাড়ী থুগাইবা, শঙ্গৎনবা অমত্তা তৌবা উখিদ্রে। অপং থৌনাদা ওটোরিক্সো অমদি মৈ থাখিবগী পাউ ফংখি। হংজনীংলিবা ৱাহংদি বন্দ তৌরিবা কাঙবুনা মায় পাক্লে খনবিব্রা নৎত্রগা বন্দ থিংলিবা কাঙবুনা মায় পাক্লবনি খনবিব্রা? তৌবতবু মরুপশিং অমদি ইশাগী ওইনদি বন্দ মনুংদা থোক্লুরগা খৎন-চৈনবা পাম্লুদবা, লৈবাক ৱাথোক ওইহন্দনবা ঈং-তপ্পা লৈজবনি, অসুম্না হায়নীংলকই।

# ইশুশা, নখোয় মীনা শা ওনবা তারব্রা? - ৪

ৱাখল ইহুল

**সোরাম ইবোহল লূৱাং**

**ইধৌ,** নশুশিংনা খুরুমজরি। য়াইফরে, য়াইফরে ইশুশিং। ঙসিনবু হান্নদগী মশিং য়াম্না হেল্লমালেনেকো ইশুশা। হোয় ইধৌ। য়াম্না নুংঙাইরে। ইশুশিংগী মফমদগী ইধৌনা খঙনিংবা ৱাফম অমা খঙফাও ফাওরক্লে। ইধৌ করি ওইবিরবনো? নশু ঐখোয়না ইধৌদা করিবুনো খঙহনদোইসিবো? ইশুশিংদদি লায়না থোক্লম্বা য়াবা অদুবু ইধৌদদি য়াম্না লুবা থৌওং অমগুম থোকপা ৱাফমনিদা। সে সে ইধৌ ৱাফমদু হায়রগে। ইশুশিংগী মশিং অসুক য়াল্লকইবসি ইশুশিং নখোয়গী নপান্দগীনি। ইশুশিংনা করম হায়না তৌবদগীনো (মোবিলাইজেসননো)? ইধৌনা নশু ঐখোয়বু হৌজিক্কী অমদি তুংগী খুন্নাইদা, মরুওইনা নুপী খুন্নাইদা, ফত্তবা নুপাশিংদগী ঙাকথোক্লবা করম্বা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকনি, অদুগা লোয়ননা নুপী ওইবী ঐখোয়না ঈজৎ লৈনা, অকি অখঙ লৈতনা খুন্নাইদা মতিং লৈনা হিংবা ঙম্নবগী ফজরবা পাউতাক পাউজেল কয়া ইধৌনা পীবী/পীবীরিবদু নুপীজা ওইবা ঐখোয়গা অমুক ইধৌগা পুন্না ৱাখল তামিন্ননবা য়াম্না কান্নবা খন্ন-নৈনবা, লৈবাকপোকপা খুদিংগী, নুমীৎ খরনি খক্তগীনি হায়রুবদা, অদু ওইরবদি খঙন চান্নবা অমদগী অমা অসুম তৌনা য়াম্মকপনি, ইধৌ। ঐখোয় য়ুমগী অহলশিংনসু অফবনি হায়দুনা লোয়না য়াই, ইধৌ। ইশুশিংনা হায়রিবসি হৌজিক্তি খঙলবনিনা অমুক্কা হেন্না নুংঙাইরে। ইধৌনা অমুক্কা হেন্না ৱাজরিবদি ইশুশিংগী খুদোংচাবা, খরা হেন্না চাওবা মফম অমত্তং ফংলবদি হায়বসিদনি। (নৌনা য়াওরকপী নুপীমচা অমনা) ইধৌ, ঐখোয়গী য়ুমগীদা মী চনিরোম পুনবা য়াবা অহাংবা মফম অমা লৈ, সাউন্দ বোক্স য়াওনা মাইককী মপোৎ মচৈসু লোয়না লৈ, ইধৌ। মথংদগীদি ঐখোয়গীদা ওইনা পুল্লসি ইধৌ। ফম্নবা ফকশাং ময়াম অমসু লৈ। ঐনা ঙসি চৎকে হায়বদা পাবুং অমসুং ইমা মখোয় অনীমক য়াম্না হরাওই। মফমগীদমক ৱাবীরুননু ইধৌ। ইশু অনৌবীগী ৱাফমসি তাবদা ইধৌ পেল্লে। ইশুগী য়ুমদি কদায়দা? ইধৌ, নাগামপাল মচিন্দগী ঐখোয়গী য়ুম অদুম উরে। মথংগীদা ঐ হেক্তা ওভর ব্রিজ মখাদা ময়াম পুন্নমকপু ঙাইনরমগে, ইধৌ। নুংঙাইত্রা ইশুশা। নুংঙাইমনখিদনা ইধৌদি ইশুনুপীগী মিং, ইশুগী পাবুংগী মিংকা অমত্তা হংদ্রি। ইধৌ, ঐখোয় পাবুংগী মিংনা গুরুময়ুম নন্দলাল শর্ম্মা অদুগা ঐগী মিংনা গুরুময়ুম চিত্রলেখা দেবী কৌই। ইশুদি লাই য়েকপা হৈ লাকপ্রা? হৈজে ইধৌ, ফার্ষ্ট প্রাইজ ফংখিবা য়াওখ্রে।

ইশু, ঙসিগী ওইনা খন্ন-নৈনবা হৌদ্রিঙৈদা মমল য়াল্লবা মতেং ফংগদবা নতা গুরুময়ুম চিত্রলেখা, ইশু ইবেম্মগা অহানবা শকখঙ মায়খঙনবা অসিমক অনৌবা মথেল অমনি। ইশু চিত্রলেখা অমদি অগ্যা ইবুংঙোবুসু থাগৎপগী খুবাক অহৌবা অমগা খুসি। প্রোক প্রোক প্রোক। ইধৌনা হান্না ৱাহৌদোক খরা হায়গে। মী অফবা ফত্তবা হায়বসি নুপাবু ওইরো, নুপীবু ওইরো মালেমগী খুন্নাইশিংদা অদুম লৈবা মক্তনিকো ইশুশা। ইশুশিংনা খঙবা/তাবা ময়াম নৎত্রগা খরদা ওইরবসু লৈরম্বা য়াই। লাইদসু লাই অফবা-লাই ফৎতবা হায়না ৱারী অদুম লৈনৈদনা ইশুশা। মী ফত্তবগা লাই ফত্তবগা অমত্তনি হায়না লৌবা য়াই। ফত্তবশিংনা ফত্তবা থবক মখৈ তৌইদনা, ইশুশা। অদুগা ঐখোয়না মরুওইনা নৈনগদবসি ফত্তবা মীশিং হাবদি নুপা-নুপী ওইবশিং/ওইবীশিংগী মরমদনি। ইধৌনা নুপী অফবগী খুদম খরা পীগে। মমিং মথা ওইনদি পল্লরোই। শিনফম ওইনা খরা পল্লবদা- চাউখৎপা লৈবাকশিংদদি (ষ্টেটশিংদদি) পোলিটিসিয়ন/আই এ এস/আই পি এস/ডোক্তর/এঞ্জিনিয়ার/জজ/সাইন্টিষ্ট/প্রোফেসার, উকিলনচিংবা ওইবী নুপীশিং, লৈবা অদুম হায়না ঐখোয়গী পীকখ্রবা ষ্টেটসিদসু কয়া অমা লৈরে। অদুবু অফবা শিনফম পায়বী ওইজরবসু মী ওইনদি লোয়না মান্ননা ফরমগনি হায়বদি য়ারোই। ফবম থোকপদা থাজবগী ৱাংমদা মীগী মাঙনবা তৌরবদি মখোয়বু ফত্তবা মীশিংগী মনুং চনগদৌরিবনি। মখোয়না মরম ওইরগা মী হাৎপদা চেন্নরবদি মীনা শা ওনবা হায়বদি মীওইবগী মীনুংশি চেন্দবা, ঙহাক্কী নিংলকপদা চৎখিদুনা অফ-ফত্তা খন্থবা ঙমদনা থবক তৌবা, শাগা পাঞ্জক্লবা হায়নরিবসিনি। ইধৌনা হায়রিবসিগী মখা তারকপদা, ইশুশিংনা নুপী ফত্তবনা নুপী মশেল ওৎপা শম্না, নুপীনা নুপী ওৎপা/হাৎপা হায়রিবশিংসি অফবনি হায়না লৌগদ্রা? মসিগী মরমদসু খরা নৈনদুনা য়েংসি। ইশুশিংনা পাউদমনিংবা অখঙবা খরগী মরমদা হায়নরকউ। ইধৌ, খুন্নাইদা অশেংবা থোকপা নুপানা নুপীনা/নুপীবু ওৎ-নৈবগী ৱাফম/থৌদোক লৈবসি মসিগী কুম্মৈদা, ফম্বাক কুম্মৈদা অমদি শুমাং কুম্মৈদা য়াম্না মরুওইবা/মপুং ওইবা ৱারী অদুম্না তৌনবা য়াম্না য়াওরে, ইধৌ। মদুদা ইশুনা করি ৱাফম (কমেন্ট) থম্নিংবা। ইধৌ মদু অফবা নত্তে। চুমই ইশুশা। অদুবু হায়রিবা কুম্মৈশিংদুদা তাঙ্কক মতেক অমা/মপুং শাগৎলক্লবা উৎলিবদু খুন্নাইগী ইমুং খরদা অশেংবা ওইনা থোকইবদু ফত্তে,মদু তৌগনু হায়বা পাউজেলনি। লাইবক থিবদি ইমুং খরগী মীফৎতা খরনা ফৎতবদু তৌগনু হায়বসি লৌশিনবা ঙমদবদগী তৌরিবনি। অমুকসু মীওইপোক খরগী ওইনসু ফত্তবা থবক্তা হেন্না হৈনজবা লৈতবা য়াওদবসু নত্তে। করিগুম্বা মরম খরদগী হান্না মাঙজৌননা খঙখিবা লৈরবদি নুপাবু ওইরবসু নুপীবু ওইরবসু মখোয়শিংসি য়াম্না চেকশিন্নিংঙাইনি। মখোয়দি অপাম্বদু ফংনবা/পাঙথোক্লবা হোৎনবদা মী ফাওবা হাৎপা ঙল্লিবনি। অসুম্না ফত্তবা থবক তৌবদা মতেং পাংলিবশিং, মখোয়সু মীফৎতনি হায়না লৌগনি। মখোয়শিংসি মখল অমগী মীনা শা ওনবা হায়নরিবসিনি, ইশুশা/ইশুশিংনা খঙবা নুংঙাইনবা ইধৌনা খুদম খরা পীগে। ইশুশা নখোয়গী লৈকায়দা- মচানুপা (পিবা) মতোমতা য়াওবদু ময়ুম পাল্লবা মতুংদা মশুনুপা পোক্তে হায়দুনা মমৌনুপীদু মনেমবোক্লা তান্থোক্লগা মমৌনুপী অতোপ্পা অমা থিনবা হোৎনবা য়াওদবা নত্তে। হান্নদগী খরগা পামদবা/য়াদবা ওইরবদি তান্থোক্লবা ওৎপগী চাং হেল্লিবনি। মদুদা য়ুম্বানমিন্নবা নুপা (মপুরোইবদুনসু) তান্থোক্লিংবগী অপাম্বা ৱাখল লৈরবদি মমৌনুপীদুদা জখম (দাগ) লৈনা ফাওবা ফূ-চৈবা য়াওরিবনি, ইশুশা। ইধৌ, মদু মীওইবগী লীচৎ নত্তে শাগী লীচৎনি হায়নিংই, লানব্রা ইধৌ। ইশু চিত্রলেখানা হায়রিবসি ইশু অতৈদি করি করি হায়নিংই। ইধৌ, নুপীগী অৱাবা খুদোংথিবা মরমশিংদি নুপী ওইবীশিংনা খঙফম থোকই। নুপীগী ওইবা মরমশিংদা খঙশিন্নদনা নাথৈরগা নুপীনা নুপীবু ওৎলিবা অদুগুম্বা নুপীদু নুপী হিংচাবীনি হায়নিংই ইধৌ। অদুগুম্বী নুপীদুগী মথক্তা লৈবাকসিগী চৎনরিবা ৱায়েল পথাপ্পা (লোনা) অহকপা চৈরাক পীহন্নিংই, ইধৌ। ইশুগী মিং অমুক্তা হায়য়ু। ইধৌ, ঐগী মিংদি রেজিয়া বিবি কৌই। ইশুগী লৈফমসু খঙনিংলে। ইধৌ, লৈফম্না ক্ষেরগাও অৱাং লৈকায়নি। ইশু অনীনা হায়রিবশিংসি লোয়না চুমই। ইধৌ, নশুসু করিনোমা নীংশিংলক্লে। ঐখোয় ময়ামসু তারগে হায়রো। ইধৌ, মপান লমদদি হায়বদি ময়াংশিংনা লৈবা মফমশিংদদি অউনপোৎ য়ামদে/অপাম্বা পীবা ঙমদে হায়দুনা কেরোসিন মমৌনুপীদা/মপুরোইবনা মশাগী নুপীদা হৈজিল্লগা মৈ থাদুনা য়াম্না হাৎনৈ হায়, ইধৌ। মখোয়গী খুন্নাইদু য়াম্না মীনুংশি লৈতবা, শাগী লীচৎ চৎপা, হিংচা য়াইতম্বশিংগী মফমনি হায়বদা লানগদ্রা, ইধৌ। ইশুনুপীগী পাউখুম পীদ্রিঙৈদা ইশুগী মিং অমদি লৈফম হান্না ইধৌনা খঙনিংবতা নত্তনা নতা অতৈসু শোয়দনা খঙনিংলমগনি। ইতা হায়রো, খঙদবা ঐখোয়সু খঙনিংই। ইধৌ, নশুগী মিংদি সনাহনবী কবুইনি কৌই অদুগা লৈফমনা কৈশামথোং কবুই খুলদগীনি। মখা তানা ইশুগী মিংগী মতাংদা খঙনিংবা অমগা লৈরে। ইশুগী মিংসি করম্না থোল্লি হায়। সুমায়না হায়, ইধৌ- ঐখোয় ইমাগা ওফিসতা থবক তৌমিন্নবী য়াম্না লুনসু তীন্নবী মতা শান্নবী ইমাদুনা ঐনা অহলসু ওইবনিনা সনাহনবী কৌসি হায়বদগী মিংসু ফজবদগী কৌখিবনি হায়না ইমাগা পাপাগনা হায়, ইধৌ। ইধৌনা ইশু অহুমগী মিংশিং নীংশিংবা ওইনা- চিত্রলেখা, রেজিয়া, সনাহনবী- নতা মখোয় অহুম্না থমখিবা ৱাফমশিংসি ককনিংঙাই অমত্তা য়াওদে। অদুনা, ইধৌনা শুপচিল্লগা অসুম্না থমগে- শাগী লীচৎ, হিংচা য়াইতম্বীগী লীচৎ চৎপী নুপীশিং ঙসিগী খুন্নাইগী অফবা নুপীশিংনা য়াম্না ফত্তনা অৱাংবা থাক্তা নিন্দা তৌফম থোকই। মশা মশানা তৌখিবা ফত্তবা থৌওংশিংদুগীদমক ইশুশা, ইন্দিয়ন পেনাল কোদ হায়দনা মরাল লৈবা/লৈবীশিংবু চৈরাক পীনবা ৱায়েল পথাপ অমা লৈবসিগী তোঙান তোঙানবা শিংখন (সেক্সন) শিংগী মতুংইন্না চান-চানবা চৈরাক ফংনিংঙাই ওই, ইশুশা। ঙসিগী মালেমসিদা ২১ শুবা চহীচা চঙশিল্লক্তুনা য়ুমথোং খুদিংদা ইন্টর্নেট অমদি কম্প্যুটরগী লৌশিং, খুদোংচাবা কয়া ফংনরবা/লৈনরবা মতমসিদা, মালেমগী খুন্নাইশিং চাউখৎপগী থাক য়াম্না ৱাংলে হায়নরবা মতমসিদা ফত্তবা নুপাশিংনা নুপীশিংবু হিরম খরদা নমথদুনা থম্নবা হোৎনবা থৌওংনি, তশেংনা য়াম্না ৱাংবা থাক্তা নিন্দা তৌই হায়বা ৱারেপ ইশুশিংগা ইধৌগা পুন্না খন্ন-নৈনবগী মীফম্না লৌরে হায়বসি মালেমগী খুন্নাইদা খঙহনসি।